# গুজরাটতা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৬৮ য়ৌখ্রে : ঈ সী আই

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৯(এজেন্সী):

গুজরাট লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৬৮ য়ৌখিবা হায়না সিনিয়র দেপ্যুটি ইলেক্সন কম্মিস্নার উমেশ সিনহানা ফোঙদোকখ্রে।



পুন্না এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী ১৮২ লৈবগী মনুংদা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা সিট ৮৯গীদমক ভোট থাদনখি। অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা মরুওইবা মীরেপ ওইনা চোংথোক্লিবা মীওইশিংগী মনুংদা চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপানি (রাজকোট ৱেষ্ট), কোংগ্রেসকী শক্তি সিনহা গোহিল (মন্দভি) অমসুং পরেশ ধনানি (অমরেলি) য়াওরি।

হন্দক্কী মীখল অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগীদমক্তদি য়াম্না লুবা মীখল অমা ওইরি। মীয়াম্না মহাকপু কদাই ফাওবা শৌগৎলিবগে হায়বদু মীখল অসিদগী খঙবা ঙমগদৌরিবনি।

অমরোমদা, কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইগদৌরিবা রাহুল গান্ধীগী ওইনসু গুজরাটকী মীখলবু য়াম্না মরুওইবা ওইনা লৌরি। দিসেম্বর ১৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী ৯৩দা ভোট থাদনগনি। দিসেম্বর ১৮দা ভোট মশীং থিগনি হায়রি।

গুজরাটকী ভাবনগর দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা ভাবনগর ইষ্ট কন্সটিট্যুয়েন্সীদা ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবা ফাওবদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ১৪ ওইখি। পোল্লিং ষ্টেসন ২০০ লৈবা কন্সটিট্যুয়েন্সী অসিদা বি জে পিগী মীরেপ বিভাবারিবেন বিজয়ভাই দাবেনা কুমজা ২০১২দা ভোট ৮৫,৩৭৫ ফংদুনা মায় পাকখিবনি।

অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ষ্টেট অসিগী অপুনবা ৩৩গী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট ১৯দা ভোট থাদনখি। ভাবনগর দিষ্ট্রিক্টকী তালাজা কন্সটিট্যুয়েন্সীদা অয়ুক্কী পুং ১১ তাবা ফাওবদা ভোট থাবগী চাং চাদা ১৩ ওইখি।

পোল্লিং ষ্টেসন ২৩৭ লৈবা কন্সটিট্যুয়েন্সী অসিদা বি জে পিগী ভারতিবেন শ্যালনা কুমজা ২০১২গী মীখলদা ভোট ৩২,৮৪৪ ফংদুনা মায় পাকখিবনি। ভাবনগর দিষ্ট্রিক্টকী ঘড়ীয়াধার কন্সটিট্যুয়েন্সীগী ওইনদি অয়ুক্কী পুং ১১ তাবা ফাওবদা ভোট থাদবগী চাং শুপ্নগী চাদা ২ খক ওইখি। পোল্লিং ২৪০ লৈবা কন্সটিট্যুয়েন্সী অসিদা বি জে পিগী মীরেপ কেসুভাই হির্জিভাই নক্রানিনা কুমজা ২০১২দা পাঙথোকখিবা মীখলদা ভোট ৫৩,৩৭৭ ফংদুনা মায় পাকখিবনি।

# এম পিদা ইমপ্লোয়ীশিংনা মমা-মপা লুনা তৌহন্নবা লো শেমগদৌরি

ভোপাল, দিসেম্বর ০৯(এজেন্সী):

মধ্য প্রদেশতা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়ী খূদিংমক্না অহল ওইরবা মমা-মপাশিংবু লুনা চান্না তৌহন্নবগী মতাংদা লো অমা পাস তৌনবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি।



গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবা মীওই অমনা করিগুম্বা মমা-মপাবু তাথি-তাওইনা তৌবা থোক্লবদি থাগী তোলোপতগী শেনফম খরা খরা কক্লগা অহল ওইরবা মমা-মপাদা পীনবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়রি।

মতম অমদা উকিল ওইরম্বা মশাগী চহী ৮৫ শুরবা কৃষ্ণমুরারি শর্ম্মা হকচাং ঙল্লক্তবা মতম ফনা কুইশিল্লক্লে। মহাক্কী মচা মরি লৈবা তারবসু মচা অমত্তনা মহাকপু য়েংশিনবীদবগী মওং অমা উবা ফংখি। পান্থৈ লৈত্রবা অহল অসিনা অপ্পা ঘর কৌবা ভোপালগী ওল্ড এজ হোম অমদা চহী ৩ লোম লৈরক্লি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হন্দক লো অমা পাস তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, পূন্সি চুপ্পা ইচাশিংগীদমক হোৎনবা য়াবা পূম্নমক হোৎনদুনা লাকখি। অদুবু লোয়নবী লৈখিদ্রবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা ইচাশিংনা য়ুমদগী তান্থোরকখি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হন্দক অহল ওইরবা মমা-মপাশিং তাথি-তাওইনা তৌবা য়াহন্দবগী মতাংদা লো অমা পাস তৌনবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবসি তরাম্না ওকফম থোকই।

অমরোমদা, সোসল জষ্টিস মিনিষ্টর গোপাল ভর্গবনা হায়খি, হৌজিক হৌজিকসু অহল ওইরবা মমা-মপাশিং তান্থোকখিবা মীওইশিং চৈরাক পীনবা লো মতিক চানা লৈ। অদুবু মচাশিংনা ফংলিবা থাগী তোলোপতগী চাদা ১০ খক কক্লগা মমা-মপাদা পীনবগী মতাংদা অনৌবা লো অমা পাস তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

কুমজা ২০০৭তা মমা-মপা অমদি অহল ওইরবা ইমুংগী মীওইশিংবু লুনা থন্বীনবগী মতাংদা মেন্টেনেন্স এন্দ ৱেলফেয়র ওফ পেরেন্টস এন্দ সিনিয়র সিটিজেন্স এক্ট চৎহনবা হৌখি।

নৌনা শেমগদৌরিবা লো অসিগী মতুং ইন্না গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবা মীওই অমনা থা খূদিংগী য়ামদ্রবদা লুপা ১০,০০০ অহল ওইরবা মমা-মপাদা পীগদবনি। করিগুম্বা লো অসি ঙাক্না চত্তবা থোক্লগনা থা ৩ জেলদা থম্বগা লোয়ননা লুপা ৫,০০০ ফাইন ওইনা থীহনগনি।

সোসল এক্টিভিজ মাধুরি মিস্রানা হায়খি, অহল ওইরব মমা-মপাশিংবু মচানা তাথি-তাওইনা তৌবা য়াহন্দনবা লো লৈবা তারবসু মমা-মপা ওইবশিংনা হায়রিবা লো অদুগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনদে। মচাবু নুংশিবা মরম্না মমা-মপা অয়াম্বনা মচাশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা থবক লৌখৎহনবা পামদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# মুম্বাইদা লৈচিল থাংবদগী লোকল ট্রেনশিং মতম থেংথখ্রে



মুম্বাই, দিসেম্বর ০৯(এজেন্সী):

মুম্বাইদা ঙসি অয়ুক লৈচিল নোংফাই থাংখিবনা উবা ঙম্বগী চাং হন্থ্রকখ্রে। লৈচিল নোংফাই থাংবদগী লোকল ট্রেন অয়াম্বা মতম থেংথহনখিবগা লোয়ননা অতিয়াগী ফীভম দিল্লিগা হাইরপ মান্নখি। ঈশিং-নুংশিৎ কা হেন্না মোৎশিল্লকপদগী মুম্বাই অসি ওইরকপনি হায়রি।

নিংথম থাগী মতমদা মহৌশানা অৱাং থংবা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা সিটি কয়াদা লৈচিল নোংফাই থাংদুনা লাকখি। অদুবু অয়াম্বা মতমদা মুম্বাইদদি নুংশাগী মঙাল ময়েক শেংনা ফংবগা লোয়ননা লৈচিল থাংবগী থৌদোক থোকপা লৈখিদে।

ওক্টোবর থাগী অরোইবা চয়োলদগী দিল্লিদা পোল্যুসন থোকপগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা নবেম্বর থাদা কা হেনবা মওংদা লৈচিল নোংফাই থাংখি। চাংদম্নদুনা য়েংবদা মুম্বাইনা দিল্লিদগী ফীভম হেন্না ফবা তারবসু হন্দক্তি মেট্রোপোলিটান সিটি অসিসু দিল্লিগা মান্নবগী মওং অমা উবা ফংলে হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোকখি।

দিল্লি গভর্ণমেন্টনা পোল্যুসন থোকপগী চাং হন্থহন্নবগী মতাংদা লৌখৎকদবা থৌরাংশিং নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেল (এন জি টি)দা পীশিনবা লৈখ্রবনি।

নুংশিৎ মোৎপগী চাং ৱাংখৎলক্লবা দিল্লিদা ওদ-ইভন স্কিম চৎনহনবা মতমদা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা কোমথোকপা লৈরোই হায়না এন জি টিদা পীশিনখিবা এক্সন প্লান অদুদা দিল্লি গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখি।

পোল্যুসন থোকপগী চাং হন্থহন্নবগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখত্তে হায়দুনা দিল্লি গভর্ণমেন্টপু হন্দক্তা এন জি টিনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মতৌ করম্না ঈশিং-নুংশিৎ মোৎপগী চাং হন্থহনগদগে হায়বগী মতাংদা উত্তর প্রদেশ, হরিয়ানা অমদি রাজস্থাননা লৌখৎকদবা এক্সন প্লানশিং ট্রাইব্যুনেলদা পীখৎখিবা তারবসু দিল্লি গভর্ণমেন্টতি মতম শাংনা পীখৎপা ঙমদনা লাকখি।

মতম খরা ফীভম ফগৎলুরবা মতুংদা হন্দক্তা ইনৌ নৌনা দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং ৱাংখৎলকখি। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯দা দিল্লিগী অনন্দ বিহার রিজনদা এয়র ক্বালিটি ইদেক্স (এ ক্যু আই) ওন্দুনা য়েংবদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং কা হেন্না ৱাংলম্বা থেংনখি।

পনবা য়াবদি, লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেনগৎলকপদগী ওথোরিটিশিংনা দীজল জেনরেটর শীজিন্নবা থিংজিনবা লৈখ্রবনি। হরিয়ানা অমসুং পঞ্জাবতা চরু মৈ থাবা অমসুং ঘাজিপুরদা হন্দক মৈ চাকখিবগী থৌওংনা দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেনগৎলকখিবনি।

# গুজরাটতা সিট ১৫০ হেন্না ফংবা ঙমগনি : বি জে পি

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী):

কোংগ্রেস অমদি বি জে পিনা অকনবা মওংদা ভোট খোম্বগী থবক চথনখিবা গুজরাটতা ঙসি অয়ুক এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী ৮৯দা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ভোট থাদনখ্রে। ভোটর ক্রোর ২.১২না মীরেপ ৯৭৭কী মরাইবক লেপকদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিনা সিট ১৫০ হেন্না ফংগনি হায়না পার্টিগী মকোক থোংবা লূচিংবা অমনা ফোঙদোকখি।

গুজরাটতা বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর মীরেপ ওইনা থাদোক্লিবা জিতু বঘানিনা ভোট থাদরুরবা মতুংদা পাউমীশিংগা উনবা অমদা হায়খি, হন্দক্কী মীখল অসিদা বি জে পিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা সিট ১৫০ হেন্না ফংগনি হায়বগী থাজবা লৈরে।

মীখল মমাঙদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন কেম্প্যেনদা প্রাইম মিনিষ্টরনা কোংগ্রেস অমদি পার্টিগী অসিগী প্রসিদেন্ট ওইগদৌরবা রাহুল গান্ধীবু লায়রবা মীয়াম অমদি গুজরাটকী মায়োক্তা লৈবা কাঙবুনি হায়না কয়ারক হন্না মরাল শীখিবনি।



অমরোমদা, চহী ২২ হেন্না ষ্টেট অসিদা লৈঙাক পায়দুনা লাকখিবা বি জে পিবু মায়থিবা পীনবগীদমক কোংগ্রেসনা পতিবার ফুরুপ অমদি ফুরুপ অসিগী লূচিংবা হর্দিক পতেলগা খুৎশম্নখি। কুমজা ২০১৫দগী পতিদার ফুরুপকী মীওইশিংদা রিজার্বেসন পীগদবনি হায়না চঙশিল্লকখিবা হর্দিক পতেলগী খোঙজংবু কোংগ্রেসনা মীখল মমাঙদা শৌগৎপা ফোঙদোকখি।

গুজরাট মীখলদা কোংগ্রেসনা মায় পাকপদা কনামত্তনা থিংবা ঙল্লরোই হায়না গুজরাটতা মীখলগী কেম্প্যেন চথরিবা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

সোতা উদয়পুরদা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মহাক্না হায়খি, ষ্টেট অসিদা অহোংবগী নুংশিৎ শিৎলকপগা লোয়ননা মীপুম খূদিংমক্না কোংগ্রেসতা শৌগৎপগী ফীভমদা লৈরে।

শগোলশেন নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমদা রাহুলনা হৌজিক ফাওবা মীখলগী মেনিফেষ্টো পুথোরক্তবগী মতাংদা বি জে পিবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি। মীখল নকশিল্লক্লবা ফাওবা বি জে পিনা মেনিফেষ্টো পুথোক্তবা হায়বসি গুজরাটকী মীয়াম্বু ঈকায় খুম্নদে হায়বা উথোকচবনি হায়না মরাল শীখিবনি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মফমদা ১০শুবা ৱাহং হংলদুনা রাহুল গান্ধীনা হায়খ্রে মদুদি, মপান লৈবাক্তগী চঙলকপা মীতোপশিং মতেং পাংগনি হায়খিবা প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাফম অদুগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনফম থোকই।

মপান লৈবাক্তগী মীতোপ কয়া চঙলকপনা লৈবাক অসিদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরনা মমাঙদা লাউথোকখিবা লুপা ক্রোর ৫৫গী বন্দ বন্ধু কলিয়ান যোজনাগী থৌরাং হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোরকপা লৈত্রি।

ট্রাইবেলশিংনা থেংনরিবা খুদোং-চাদবশিংগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মরম চাদনা ট্রাইবেলশিংগী লম মুনবিবগী থৌওং তোয়না থোক্লি। উমংদা লৈজবা ট্রাইবেল মীয়ামদা হঞ্জিন হঞ্জিন অৱাবা পীবা ওইনা শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিংনা উমং কোকথোক্লগা অচৌ অচৌবা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলকপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা সেন্টরগী এন দি এ লৈঙাক্না খঙশিন্নদনা লৈথোকই।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হন্দক্তা ট্রাইবেল মীয়ামগীদমক বন্দ বন্ধু কলিয়ান যোজনা কৌবা থৌরাং অমা লৌখৎলগনি হায়না লাউথোকখিবনি। লুপা ক্রোর কয়া চঙনা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাং অসিনা ট্রাইবেল মীয়াম্বু বি জে পিদা শৌগৎহন্নবা হোৎনবা তারবসু অৱাবা চৈথেং কয়া ফংনরবা ট্রাইবেল মীয়াম্না বি জে পিদা শৌগৎপগী ৱাফম লৈরোই হায়না রাহুল গান্ধীনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# গুজরাটতা ঈ ভী এম য়ারক্তবদগী ৱাথোক ওইখ্রে

সুরট, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী):

অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোকখ্রবা গুজরাটকী পোল্লিং ষ্টেসন খরদা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন য়ারক্তবদগী অচৌবা ৱাথোক অমা থোকখ্রে।

রাজকোটতা ঙসি অয়ুক ঈ ভী এম ৩৫ অশোয়বা কয়ামরুম থেংনৈ হায়না কমপ্লেন্ট তৌরকখি। অদুবু ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিসলশিংনা অশোয়বশিং অদু অথুবা মতমদা শেমজিল্লগা মখা তানা ভোট থাদহনখি।

কম্মিসনগী ওফিসল অমনা হায়খি, অশোয়বা ঈ ভী এমশিং লোইনা শিন্দোকখ্রে। খুদক্তা কমপ্লেন্ট তৌরকপদগী মেছিন অনী অমসুং ভী ভী পেট অমা শিন্দোকখি। ইলেক্ট্রোনিক্কী ওইবা পোৎলমশিংদা মতাং মতমগী মতুং ইন্না টেক্নিকেলগী ওইবা অশোয়বা য়াওরকপা তারবসু মদুমক্না মীখলগী থবক থৌরমদা অকায়বা থোকহনখিদে হায়না ইলেক্সন কম্মিসনগী মষ্টর ট্রেনর বিপুল গোতিনা ফোঙদোকখি।

বলসাদ দিষ্ট্রিক্টকী কোসম্বা রিজন্দসু ঈ ভী এম য়ারক্তগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসন্না তোঙান তোঙানবা ৱাকৎ কয়ামরুম থমখি। পার্দি এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীদা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইখিবা মীওই অমনা ভী ভী পেট মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্ত্রে হায়না কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌরকখি হায়রি।

# বিহারদা লিকর মাফিয়ানা এটেক চথবদা জর্নেলিষ্ট শোক্লে

নৱাদা, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী):

বিহারগী নৱাদা দিষ্ট্রিক্টতা লিকর মাফিয়াগী কাঙবুনা হিন্দী লোন্দা ফোঙবা পাউচে অমগী পাউমী ফুবদগী মকোক্তা শোক্লে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

রজাওলি পুলিস ষ্টেসনগী ষ্টেসন হেদ ওফিসার অৱাদেশ প্রসাদনা হায়খি, হিন্দুষ্টান পাউচেদা থবক তৌবা বিকাশ কুমারনা রজাওলি এরিয়াদা য়ু ফাবগী পাউ অমা লৌবা চৎলুবদা থৌদোক অদু থোকখিবনি।




য়ু য়োনবা কাঙবুনা ফুবদগী মকোক্তা শোক্লবা বিকাশ কুমার রজাওলি প্রাইমারী হেল্থ সেন্টরদা পুখত্তুনা লায়কন্নরল্লবা মতুংদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা রাঞ্চিদা পুদুনা লায়েংখ্রে।

ৱেন্দা শোকপদগী মহাকপু রাঞ্চিদা ওপরেসন তৌরবা মতুংদা থোইদোক্না খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়না ডোক্টরশিংগী টিম অমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

পাউমী ফুবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা রজাওলি এরিয়াদা লৈবা মীওই অমা ফারে হায়না পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমারনা লূচিংবা গভর্ণমেন্টনা মমাঙ চহীগী এপ্রিল থাদগী বিহারদা মপুং ফানা য়ু য়োনবা থিংখ্রবনি। ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন্না অথিংবা অসিগী মায়োক্তা লোন্না য়ু য়োল্লিবা মীওইশিংগী মথক্তা তোয়না দ্রাইব চথদুনা মফম কয়াদগী য়ু বোট্টল কয়ামরুম ফাগৎপা লৈখ্রে।

মমাঙদা বিহারগী পাউমী অমা হাৎখিবগা মরী লৈননা সী বি আইদা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসনগী রিপোর্ট পীখৎলক্লবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

রাজ দেব রঞ্জন কৌবা পাউমী অমা হাৎপদা বিহারগী মিনিষ্টর ওইরম্বা তেজ প্রতাপ যাদব অমসুং রাষ্ট্রিয়া জনতা দলগী লূচিংবা লালু প্রসাদ যাদবকী মচানুপা চেন্নরম্বা য়াবগী খুদম ফংবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্লবা সুপ্রিম কোর্টনা সী বি আইদা খঙহনখিবনি।

# মোদিনা পব্লিসিটিদা লুপা ক্রোর ৩৭৫৫ শীজিন্নখি

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা চহী অহুম মখায়রোম পব্লিসিটি তৌবদা লুপা ক্রোর ৩,৭৫৫ শীজিন্নখি হায়বা আর টি আইগী এপ্লিকেসন অমগী পাউখুমদগী খঙবা ঙমখ্রে।

ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্ট্রিনা পীখিবা আর টি আইগী পাউখুমদা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০১৪গী এপ্রিলদগী কুমজা ২০১৭কী ওক্টোবর ফাওবদা ইলেক্ট্রোনিক, প্রিন্ট মিদিয়া অমসুং আউটদোর পব্লিসিটিদা লুপা ৩৭,৪৫,০৬,২৩,৬১৬ শীজিন্নখি হায়রি। গ্রেটর নোইদা লৈবা রামবির তনৱার কৌবা সোসল এক্টিভিজ অমনা থাখিবা আর টি আইগী এপ্লিকেসন মতুং ইন্না ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা কম্যুনিরিটি রেদিও, দিজিটেল সিনেমা, দুর্দরশন, ইন্টরনেট, এস এম এস অমসুং টেলিভিজন য়াওনা ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াদা এদভর্টিজমেন্ট তৌবদা লুপা ক্রোর ১,৬৫৬ চাদি তৌখি হায়রি।

প্রিন্ট মিদিয়াগী খুত্থাংদা এদভর্টিজমেন্ট তৌবদনা লুপা ক্রোর ১,৬৯৮ হেন্না শীজিন্নখি হায়রি। হোর্দিং, পোষ্টর, বুকলেট অমসুং কেলেন্দরনচিংবা আউটদোর এদভর্টিজমেন্টতা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর ৩৯৯ চাদিং তৌখি হায়বা আর টি আইগী খুত্থাংদগী খঙবা ঙমখি। এন দি এ গভর্ণমেন্টনা পব্লিসিটিদা শীজিন্নরিবা শেনফম অসি মরুওইবা মিনিষ্ট্রি খরদা চহীগী ওইনা কায়রিবা শেনফমদগী হেল্লি হায়রি।

EDUCITY TUTORIALS
SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIRAK MACHIN, IMPHAL - 795004
ADMISSION OPEN
REVISION 2 MONTHS
CLASS X (MANIPUR BOARD)
FOUNDATION COURSE
CLASS I TO X
LIMITED SEATS
VAN FACILITY
HOSTEL FEE : @RS. 3500/- PER MONTH BOYS & GIRLS
CLASS STARTING : 10TH DECEMBER, 2017
CLASS STARTING ON 4TH JANUARY, 2018
SPECIAL FEATURES :-
- Q & A ANALYSIS
- Possible Suggestion
- Free & printed study materials to each students
10% DISCOUNT for the student who secure 1st to 5th Position in their school
HL-P/3052/26/11-26/12

SKY HOSPITAL
Porompat, Opp. JNIMS Gate, Imphal East
Providing the Ultimate Heartcare in Manipur
*HAPPY NEWS*
DAILY HEART O.P.D. WILL BE AVAILABLE
FROM 11TH DECEMBER, 2017 (8 A.M. to 1 P.M.)
*FACILITIES : ECHO WITH REPORT ON THE SAME DAY*
For appointment contact : Reception or Call: 8415938206 / 8415935086

# সাইক্লোন ওকখি : হি ৬৬ থিবা খঙদ্রি, ঙামী ৭১৩ কনবা ঙমদ্রি

কন্যাকুমারী, দিসেম্বর ০৯(এজেন্সী):

সাইক্লোন ওকখিগী মতুং তারকপদা কন্যাকুমারী দিষ্ট্রিক্টতা হৌজিকসু হি ৬৬ অমদি ঙামী ৭১৩ থিবা খঙদ্রি হায়না মকোক থোংবা দিষ্ট্রিক্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।




কন্যাকুমারীগী দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টর সাজন সিংহ চৌৱননা হায়খি, খ্বাইদগী ইকোন কোন্না ফংবা রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবা হি ৬৬ থিবা ফংদ্রি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ঙামী ৭১৩সু খোঙ্গুল লীবা ফংদ্রি। মহারাষ্ট্র, কর্নাটাকা, লক্ষদ্বিপ, কেরলা অমসুং গুজরাটতা পন্দুনা লৈরিবা ঙামী ২,৪৭৮ টামিল নাদুনা পুরক্লবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মোনিটরিং কম্মিটিগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না সাইক্লোন ওকখিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লুপা ক্রোর ১৭০ রোমগী লন-থুম মাঙ-তাকহল্লক্লে হায়রি।

সমুদ্র মপান নক্না লৈবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী য়ুম ৪,৪৯৫ মাঙ-তাকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা লুপা লাখ ৯৩ তেংবাঙ ওইনা পীখ্রে। অমাঙ-অতা থোকখ্রবা য়ুম ৫৩৭তা তেংবাঙগী শেল পীগদবা ৱাৎলি।

বে ওফ বেঙ্গলদগী দিপ দিপ্রেসনগী মতুংদা সাইক্লোন ওকখি হায়না খঙনবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শীৎপা হৌরকখি। টামিল নাদুগী খা থংবা ষ্টেটকী শরুক্তগী কিলোমিটর ৬০ রোম চৎলগা লৈবা মফমদগী সাইক্লোন অদু হৌরকখি।

দিষ্ট্রিক্ট তরেৎকী স্কুল কয়া থোঙ লোন্নখি। টুথুকুদি, টিরুনেভেলি, কন্যাকুমারী, বিরুধুনাগরগী স্কুল কয়াসু ছুটি থানখি। টুথুকুদি অমদি কন্যাকুমারীদদি অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা উ ফাওবা মরূ ফুক্তৎলগা হুমদোকখিবনি।

নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সকী পার্সনেল ৬০ রোম্না শাবা টিম অনী টামিল নাদুগী কৈন্যাকুমারীদা থাজিনখ্রে। পুংদা কিলোমিটর ৬৫ দগী ৭৫ ফাওবা য়াঙনা শীৎপা নোংলৈ নুংশিৎসু ষ্টেট অদুগী অৱাং থংবা শরুক খরদা শীৎলবা য়াই হায়না ইন্দিয়ন মিটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি।

টামিল নাদু সাউথ কেরলা কোচ অমদি লক্সাদ্বিপ আইলেন্দগী শরুকশিংদা ঙা ফাবা মীওইশিং সমুদ্রদা থোক্তনবা খঙহনখি। সমুদ্রগী ঈমায়দসু অকনবা ঈরৈ লাকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি। টামিল নাদু অমদি কেরলাদা অকনবা মওংদা নোং খাক-লাউবগী ওইথোকপসু লৈরি। অসাম, মেঘলায়া, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরাম অমদি ত্রিপুরাদা লৈচিল য়াম্না থানা লৈগনি হায়না ৱেদর ওফিসনা ফোঙদোকখি।

HL-B/4268/10